'খারম থাদোই' (লাইৱা ফাইবোক)

- মঙাংচা নাওরেম হেরাঙম্বা -

ময়েক অনীনা ৱাকমৈ হিগাবু ওই, অহল থৌদাকখোন্না খুমু নৌগা ওই, লমচৎ লন্থোই তান, অমন থরৈবু কুমখিবা, মানা মানা নীংজবদা লাংঙোন মপোক ফংজখিয়ে।

লাইগী মশক ওইরবা ইপু মাইচৌ কোলোই মিংলেননা খারম থাদোই কৌনা তরংলেন্দগী মালেম অনেম্বদা লৈসাৎ তমখিবা মাইচৌ মাবু শৈথাজগে।

কংলৈপাক্কী (ঙসিগীনা মণিপুর মীয়ানচানা থোনবীবা) পোং সলাই নিংথৌ লাইওইবা মাইচৌ কয়া লৈখরে, ময়ামদুগী মরক্তুগী "খারম থাদোই মাইচৌ অসিগী মরমদা ননাই সিল্লেলোম্বনা খজিক লাতমজগে অরানবা অসোইবা য়াওরবসু ঙাকপীয়ু। পঞ্জরিবা লাইওইবা মাইচৌ অসি কংলৈপাক অসিদা কংলৈপাকচাশিংনা কয়া ইখঙ খঙদবগুম অমদি মাগী মরমদা শোন্নবা তাবা ফংজদে। নিংথৌ শিংকক্ পুয়াদগী লৌখৎচদুনা লাতমজরগে।

কংলৈপুং লৈময়োন্দগী নোংচুপ হারম পানা চৎলিবা য়াংদৌ লন্বী (হৌজিক্কীনা জিরি লন্বী) গী ঙাপ্রুম চীংজেল থেন্দগী খরা হাইথরগা লৈবা খারম কোলোইনরিবা পনকোইনুংশিদা কুমজা ১২৭৭কী হিয়াঙ্গেগী থাবান ২নি পানবা নিংথৌকাবা কৌরৌদা চীংঙু থাদোই তরংলেন্দগী মালেমদা লৈশাৎ তমজখিয়ে, মহাক চীংঙুগী মচানি, তাইবংলেনগী পোং সলাই মরক অসিদা পলেম পন্থৌ লৈতে।

নৱা ওইরিবৈঙদগী নাওয়োক নাওকোনবীরকপা পন্থৌ শকপা হাওবা খুল্লাকপা কোলোই মিংলেন্দি "শামৈরাং" পলেম শক্লা নাওকোনবীবা খুল্লাকপীগী মিংলেন্না চীংশুরাকপী হায়না কোলোয়নৈ।

মাইচৌ থাদোইগী লাংওন ঃ- কুরুনা মালেম লৈশেম্বা লৈশেন্বী, লাইবুংথৌ মাপল, লাইনুরাবী তরেৎ পুথোকত্রিঙৈ মমাঙদা মালেম তু-খোং শেমখিবা ইবুধৌ নাওথিংখোং (নাওদিখোং) পাখংবগী শাইয়োন ওইনা লাংওনখি। মথংগী লাংওন্দা "উরা কৌন্থৌবা" ওইনা থৌরৈ পাঙল্লে। চীংঙু পীবুকনুংদা পাইমা মনিকশানা পোন্বী "লুৱাওবা" ওইনা অমুক শায়োনখিয়ে।

অতিংকোক কুরু শিদবগী শিন্থা তুংইন্না কংলৈগী থৌদাগীদমক নমু মাইচৌ "খারম থাদোই" ওইনা তরং মালংদগী অদুম্মক থৌকারকখিবনে। চীংঙুগী লাংওন ওইখিবনা মহাক্কী তোপ তোপ্পা হৈথোই শিংথোইবা অদুম্মক উৎথোরকই। খারম পনখোইনুংগী মীওইশিংনা মহাকপু কনাগী চাদা-নৌদানো? পলেম-পন্থৌ কনানো খঙনখিদে। মশক খঙদ্রবা নাৱা অসিবু মপারী-মমোম অমতা শাৎত্রবা খুনগী খুনপুরেলনা নাওয়োক নাওকোঞ্জরগে হায়জবদগী খুঞ্জাশিংনা হরাওনা য়ানখিদুনা খুনপুরেলগী মগাইদা থাদোই পুন্সি থৌকাই পাংলকখিয়ে।

থাদোই শান্বা শারেপ হুইতম নাওহুই ফারক্লে। নোংমদি চীংঙুনা মাইচৌবু শাফোংহল্লগে খন্দুনা খারম পনকোইনুংদগী লোইবী চীংয়া য়াঙ্গোই খোঙকাপ নাওহুই তমখরে। খারম লম্লেন থনমলে। কোরৌহনবগী মঙালনা মালেম শিনবা থুংনা মীৎয়েং শানখৈরক, মঙাং য়ুথক লোইরমদা ৱাংলেন পুংফম য়েংলদুনা ইপুনা চীংঙু কুরু শিদবদা পুনেমজবগা লোয়ননা থৌনিজদুনা-ইপা ইবুংঙো! নদু নশুবু কুবিয়ো, তাইবং সলাই মাংদা নপারী নদু নশুবু মিংচৎ য়াইবী মশোং কাংহন্দুনা মিংচৎ উরোং ৱাতাহনবীরো অসুম্না য়াৱা লীরোন কাঙলদুনা অমদি উনবী পরৈ চঙদুনা নুংগী কাংলোন শান্নরক্লে। ৱাংলেন অসিদা মচাবু কুরু শিদবনা কুবিগে খল্লদুনা শিন্থা নাহুই তল্লকইঃ- "ইশাবী নোংয়াইও। নঙদি ঐগী ইশাবীনে অনিং থৌরৈ পাঙজরো! মীংচৎ উরোং খিঞ্জরো। অসুম্না শিন্থারোনসু পীরল্লগা তরংলেন্দা চিকমাংনখরে।

কুরুগী শিন্থা পাউতাক ফংলবদা থাদোইনা পলেম মমা তরেৎপু থৌনিজবগা লোয়ননা ক্কাংৱা উতোং খুবোম্মুক শাংবা অমা কক্লে, অমুকসু পলেমশিংবু থৌনিজরগা মায়কৈ মরি পাল নিপাল, শুংদাই মাপল, হায়রোক তরাতরুকমক্তুগী শাগী শারম লমওকমখৈ শমু মখুবাকয়াইদা থৱাইরেল মীকৌরক্লে। লমওক খরসিনা পায়মনুংদা পেনাইদ্রদুনা শাগী শারম খরসু ক্কাংৱা (ৱা) উতোংদুদা লাইৱা অমা শোন্দুনা ফারৈ উতোংদা হাপচিঞ্জরে। কোরৌ মাসু লোইবী চীংগী মরুমদা লৈথখিবগা লোয়ননা থাদোইসু মোংবা মরানয়াইদা হঞ্জরকই। খুলগী খুনপুরেলদা চিংগোইরকই- পন্থৌ শা শেম্নবা তম্বশিংকোক ৫০ (য়াঙ্খৈ) মুক কৌবীরকউ। চহী ১০মুক্কী অদুৱাই ওইরিবা, থাদোইগী মতৌ উবদা খুনপুরেলনা পাইমা পিবুকনুংদা খল্লদুনা তম্বশিংকোক ৫০ (য়াঙ্খৈ) কৌখরে, খারমগী তম্বশিংনা থাদোই শা পুথোরক্লো, শেম্লসি হায়রক্লবদা নাৱা ওইরিবা মহাক্লা পায়রিবা ক্কাংৱাগী উতোংদগী নিকথরকপদা মান্নদবা মখলগী শারম পূম্নমক তারক্লে, মতৌ অদু উবদা শামৈরাং খুল্লাকপা অমদি লৈরিবা হাওবশিং অদুনা ঙকপগা লোয়ননা য়াংলৌ মথেল শেম্লদুনা তরা মথেল চিন্দমমিন্নখি।

মতমগী খোঙলৈ তুংইন্না থাদোই চাওবা লেপতম ফারক্লে, মোংবা ইনুংদা তার ইপুন্নবনিনা মদোম নাইতোম শাৎচবী মমোম লাংলেন ইঙা ৱাংতম্বীগা ইকাই নুংশি পরৈনরক্লে, মখোয় অসিগী থৌওং থৌদা অমদি খুনগী অহলশিংগা লোয়ননা য়াৱা লীরোন্নদুনা চাক্লৌ (চনৌ) য়াংলৌ মথেল লাংদুনা মপারী শক্লা নাউয়োক্লক্লবা থাদোইদা মমোম লাংলে তোমশাৎনবীবু খরাই থক্তা লৈহাপ, ইনিং তমদুনা লৈপুল লিক্লাং শেমখিয়ে, অসুম্না খুল্লাকপা খুল্লাকপী অনীনা থাদোই অমসুং ইঙা ৱাংতম্বী অনীবু য়েংদুনা শামৈরাং খুল্লাকপনা থাদোই নহাক্তি কনানো কনাগী মচা মশুনো হায়বসু খঙদে ঐখোয়গী চৎনবীগী মতুংইন্না চনু নিংঙোল অমা লৌবা তারবদি মংকৎ পীবা, পীবা ঙমদ্রগা চহী অহুম থবক শূবা হায়বা চৎনবী অমা লৈ অদুবু মদু পীবা ঙম্বসু লৈতরে অদুনা নহাক্লা চহী অহুম থবক শূবা তারে, থাদোই নহাক্লা শূবদা ঐনা পেল্লবদি ঐগী ঙকশমদা শিরিবা লিক অসি ইপানা খুদোল ওইনা পীগনি, থাদোই পাইমা নুংদা নোকফেৎ তৌজরদুনা হায়রকই- ফগনি পন্থৌ ঙম্বরা য়েংজগে। খুল্লাকপা-খুল্লাকপী অনী অদু থাদোইগী য়াৱা তাবদা পাইমা পিবুকনুংদা নুঙাই হিরিকোঞ্জখি।

থাদোইগী অঙকপা থৌদৌ খরাঃ- (লৌ উনবা পাম হাইবা অমদি লোইমোম ফৌওইবী হুন্নবা অমসুং ফৌওইবী লোকপা)

নোংমাগী নুমিৎ অমদা শামৈরাং খুল্লাকপনা থাদোইবু কৌশিন্দুনা হায়রকই, পারী নঙনা খারি লৌবুক্তো শেম্নবা অমদি লোইমোম ফৌওইবী হুন্নবা চীংমাইদো পাম খরা হাইরুচো, থাদোইনা নাতরবা মতুংইন্না ইঙা ৱাংতম্বীনা তরা চাক হৌদুনা য়াংলৌ মথেল লাংদুনা থোং থাকপা লোইরদুনা তরা চয়োম য়োন্বীরে। থাদোইনা চয়োম অদুগা লোয়ননা খুৎশু পায়রদুনা খারি লৌগীদমক লোইবী পাম হাইবা য়াঙ্গোই খোংশানখরে।

করম্বা চীংমাই (পাম) দগী হৌরগা ফৌওইবী ইমানা কুবীদুনা মোংবগী য়াইফগদগে খল্লদুনা মীৎয়েং শানখৈরকপদা অৱাংথংবা চীংমাই অসোমদনা য়াইফবা তারে পাইমা উনগোইনুংদা নিরেন্দুনা খুৎশুদা য়াৱা অমা শোল্লগা মফম অদুদগী পাম হাইবা হৌরকখিয়ে। থাদোইনা থৌনিজদুনা চীংঙু লাইয়াম্বু কৌরগা খারি পাম মপু মনাই চঙদুনা লোকশা মাপল হাইরক্লে। কোরৌ মাসু লেংদবা চীংজাওগী মরুমদা হাইথখ্রবদা লাইয়ামসু খারি লৌফমদগী খোঙদোইখরে, থাদোইসু মোংবা মশাইকোন য়ৌরকপগা নোল্লুকপা ৱাহৈগা লোয়ননা হায়রকই- পন্থৌ! খারি লৌয়াম পাম হাইবা লোইজরে ফৌওইবী লাইরেম্বীবু থানবা তৌরসি, য়াৱা অসি পন্থৌ ওইবনা নাতারদুনা হংজরকই। পারী নোংয়াই নঙনা নোংমখক হাইরুবা পামদুবু ফৌওইবী কয়াম থানদগেনে? থাদোইনা হাইরিবা অদু চুম্বরা লানবরা উনগোইনুংদা থাজদদুনা অয়ুম য়েন্দা অঙনবদা হৌগৎতুনা খুনপুরেলনা য়েংবদা হাইরল্লিবা চীংমাইশিং অদু উবদা পাইমা পীবুকনুংদা অঙকপনা থনখিয়ে।

মমোম অমদি চীংশুরাকপীবু ফৌওইবী খপ্পনবা পাওশাখি, খুনপুরেলনা চীংশুরাকপী মমা য়েংদুনা হায়রকই থাদোইনা হাইরল্লিবা পামহাইসিদি নঙসু উরবদি ঙক্কনি। নখোয় অনীদনদি ওইররোই। মপাগী য়াৱাদু তাবদা মমোম লাংলেন তোমপোকপীনা খুনগী মতারোই ময়ামগা লোয়ননা ফৌওইবীবু খপমিন্নখিয়ে অমদি লোইরদুনা থাদোইবু কৌশিন্দুনা ৱাহৈ খরদং কাঙলকখি- করিসু লৈত্রবা ঐনা ইদু ফংজবদি ৱাংলবা ইপাগী মগাইবু ফংজবগা হেক মাল্লিহে, ফৌওইবীসু খপ্পা লোইরবনিনা খুনগী নমু ময়াম চংদুনা ফৌওইবীবু পুগদৌরিব্রা? থাদোইনা- ইতাও ময়াম চংদুনা পুগদবা নত্তে। থাদোই ইদোম পুজগনি ৱাহৈসিবু হায়দুনা খুনগী মীয়াম মমাঙদা থাদোইনা উতংৱাগী উতোং অদুদা লাইৱা শোল্ল-শোল্লদুনা য়াল্লবা ফৌ ময়াম অদু লোইনমক হাঞ্জিনখি। লোকশা মাপও ইহুন তম্নবা ফৌওইবীদু খুবোম্মুক শাংবা উতোং অদুদা লোইনা হাপচিনবা অদু উবদা মীয়াম্না থাদোইবু লাইনি হায়না য়েংনখি। অসুম্না থাদোইগী তালোইনা য়োন্বীবা তরা চয়োম অদুগা লোয়ননা উতোং অদু পুরগা খোঙদোই হুনখরে। মফম অদুদা লৌশঙ অমা শাদুনা পুরক্লিবা চয়োম অদুগা উতোং অদু থল্লগা ঙাইহাক পোত্থাজরম্মী, ঙাইহাক পুংখাই পোত্থাজরবা মতুংদা উতোং অদুদগী ফৌওইবী অদু লোকশা ৯ (মাপল) শিনবা থুংনা য়াৱা শোল্ল-শোল্লদুনা চাইথোকপা হৌরক্লে। মহাক্তি চীংঙুগী লাংওন ওইবনিনা মপু মানা থৌরৈদু পাঙবা উবদা লৈমা তরেৎতগী খোইয়ুম ১০৮ লাক্তুনা ১০৮না খুজিংলগা লাইগী চাদ-নাওদা ময়াম চঙলদুনা থৌরৈ তেংবাংলক্লে, থৌরৈ লোইরগা চীংঙু ১০৮ সু থাদোইনা পুরক্লিবা চয়োম অদু পুন্না চিন্দমমিন্নরে অদুগা মতুংদা চীংঙু ১০৮ সু মখোয়গী মনাই মশলশিংগা লোয়ননা মাগী মাগী মগাইদা খোঙকাপ নাউহুই তমজখি। থাদোইসু মোংবা মশাইকোন্দা হনৱাইরকখি।

মোংবা ময়ুমদা লৈরিবা মকু, মনেম অনীদা পুনেমজবগা লোয়ননা হায়জরকই নপারী থাদোই ওইবনা থৌরৈ পুম্বা পাঙজরে, পাওদম অদু তাবদা খুনপুরেল অঙকপগা লোয়ননা য়াৱারকখিয়ে- থৌরৈ করম্না পাঙবগে পন্থৌদা অদুক তম্মুদো। থাদোইনা- পন্থৌ শক্লবা ইকু-ও! নপারি ওইবা ঐহাক্লা লোকশা মাপওগী পামহাই অদুদা ফৌওইবী চাদা লোইনমকপু হুঞ্জ-তম্বা লোয়জরম্মে পন্থৌ শকপা-ও!

উচিনাও পৌবী চেক্লানা চীংখৈ হুনবা মাবু য়েংদুনা কোরৌগী মশেক মঙালবু তাইবংচাদা পাওজেল্লকই। শামৈরাং খুনিপুলেদা চিনগোইনরকই ঙরাং কৌবা কোরৌদা নচানা থাদরল্লিবা (হুঞ্জরল্লিবা) ফৌওইবীশিংদু অনৌ য়েননিং য়েংঙবরা হায়বদু ইকুনা অমুক্তং খোঙ্গুম্বীদুনা মীৎয়েং তম্বীয়ুদো, শানখৈবীয়ুদো অসি ৱাদি নাতারবদা খুনপুরেলনা করিনোনে ঙরাংদা ঈহুন তমখিবা ফৌওইবীশিং অদুবু করম্না ফৌনানা ৱাই ৱাই হায়রমগদগেনে। শামৈরাংনা হুম মসিমক্তবু য়েংদদি ময়েংলুরগে মমাঙ থাদা অঙাং অসিনা পাঙখিবা অঙক অঙকপা ফৌবৈশিংদু নীংশিংলক্লদুনা মসিতবু ময়েংলুরগে পাইমা নিংখৎখিয়ে। খুল্লাকপা খুল্লাকপী অনীনা তরা ফু হৌরগা তরা চয়োম পুরদুনা খারি লময়েংবা লাকপদা তৌরল্লিবা থৌদৌ অদু উবদা অঙকপগা লোয়ননা খুল্লাকপনা- য়েংঙুনে খুল্লাকপী ওইরল্লিবা থৌরৈ অসিদি অঙকপা ঙাক মপাংঙিহে মহাকপু পারি ওইনা ফংজবসিদি পূক্লিং খৈনা পেল্লিহে তাইবং মপু ওইবনুংদা কোনশিঞ্জদুনা খুরুমজে। হৌরল্লিবা ফৌগী ফৌরোইশিংনা ঙাম-ঙাম তৌদুনা লৈবদা খুল্লাকপগা খুল্লাকপী অনীনা মোমোন নোকচখিয়ে। মখোয় অনীগী উনবীনুংদা অসুম্নসু খন্নখি-হৌরিবা ফৌওইবীগী ফৌরোইশিং অসি ঐখোয়গীদা নত্তনা খঞ্জা অয়াম্বগীসু য়াইফরগনি নত্তরনে খুল্লাকপী। খন্ন-খন্না লোকশা মাপন্দা কোইনা য়েংদুনা লৈরকপদা কোরৌহনবা মাসু চীংজাউগী মরুমদা হয়েংগীদমক্তা খোঙকাপ নাহুই তমথখরে, থুংনা কোইনা য়েংবা ঙমহৌদরে। অসুম্না অনীদু মোংবা শঙ্গাইদা খোঙ্গুম্লকখিয়ে।

নোংঙাল্লে মখোয় মরি তরা চিন্দম্বা লোইরদুনা থাদোইনা পন্থৌ ওইবা মকুদা পাওহৈজরে ইকু ফৌরোইশিং অদুবু করম তৌরম্লবগে? ফৌরোইশিংদুবু মথৌ পাঙথোকপা (ফৌ লোকপা) য়ারদরা হায়বদু অমুক্তং খোঙলেঙবীদুনা মীৎয়েং শানখৈবীরুদো নক্মাকতি নৱা ওইবনিনা ফৌরোইশিং লোকপগী ৱাংলেদবু অখঙ পরৈ লৈজদে। থাদোইগী য়াৱা তারবগী তুংদা খুল্লাকপা খুল্লাকপী অনীনা মমোম লাংলেন্না হৌবা তরা ফুমাইবু চামিন্নরগা চয়োম পুরদুনা খারি লৌবুক তম্না য়াঙ্গোই খোঙ্গাখ্রে। অহানবা খোঙ্গারুবদা ফৌওইবীশিংদু য়েন্নিং মমি তম্বদা ঙাইহৌরি। ঙসি ইনুংদা মুন্দুনা লৈরম্বসিদা খুল্লাকপা অঙকপনা খম থেংনা হে, ফৌওইবী ইমা লাইরেম্বী! ঙসিগী থৌওংসিবু ইমানা ঐখোয়বু লাক্লরিব্রা? নত্রগা অঙাং ওইরিবা থাদোইনা হুইতম নাহুই তমহল্লগা লক্লুগে তৌবিরিবরা? অসুম্না অঙক পরৈ চন্না, চৎন-কোইনা চৎতুনা মীৎয়েংনখি। অহল মতম ওইরবা অনীদুনা কোইনা চৎলুবদা হিদোং লাংবদুদা ঙাইহাক পুঙ্গোই পোত্থাগে খন্দুনা লৌশঙ তম্না লাক্লে। খুল্লাকপীনা- ঈনা লোক্তগী চেন্থরকপা লাইজবু শোক্লদুনা ঈফুৎননবা শেম শাজরে। খান্বী মৈহৌনবা মৈহুম কোইনা য়েংলক্লে। নহালনোং থাদোইনা থেৎলম্বা নাপী মপুল মচাদুদা মীৎফম হেক তারুদুনা (চান্নদুনা) খুল্লাকপীনা লৌথদুনা খান্বী মৈচুনবা থোক্লুবদদি অঙকপগী মওংবু ওইখরে। নাপী মবুনদু ফ্রং কাপথোরক্তুনা নাপীশিংদুনা হৌরম্বা মফমশিংদুদা চাইথোক্তুনা ফৌওইবীশিংবু কুপশিনখি। থৌওং অসি উবদা খুল্লাকপী খুল্লাকপা অনীদো পাইমনুংদা অৱা হুইসোক লাং অঙক ৱাখন্না থনখ্রে। পলেম-পন্থৌ শক্লবা অনীদু মোংবা মরানয়াইদা খোঙ্গুমলকখি অমদি উরকপা খুদিংমক অমত্তা চিথদনা থাদোইদা পাওমেনখি। থাদোই পূম্নমক য়াৱা নাতারবা মতুংদা-পন্থৌ শক্লবা-ও অৱা মৈশা লাংবীরনু ঐনা পূম্নমক য়াইফনবা থৌরাংজগে। থাদোইনা তালোই ইঙা ৱাংতম্বীবু তারা চিন্দম্নবা থৌরাংলুরো হায়বীখি। তারা চিন্দম্বা লোইরদুনা থাদোইনা অদুদি নচা খারি লৌবুক কুমদুনা ইমা মাবু য়াৱা শোন্দুনা লাইয়ামগা লোয়ননা খাওদুনা ফৌ ময়ামদু উতোং অদুদা য়াৱা শোন্দুনা লোইনা হাপচিল্লে অমদি মদুবু পুদুনা মোংবা শঙ্গাইদা হল্লক্লম্মী। থাদোইনা হায়রকই- পন্থৌ ঐখোয়গী খুনবুশিংদা ফৌওইবী লৌরনবা খরা হায়বীরু। ফৌওইবীদি কদায়? লোইনা পুজরকএ, অসুম্না খুল্লাকপনা য়াৱারবদা খুঞ্জশিংনা শোইররোই হায়না ফৌওইবী লৌবা লাক্লম্মি। খুঞ্জশিংনা য়ৌরক্লবদা থাদোইনা শেংদোক্লবা মথৌবুংদা উতোং অদুদগী নিকথদুনা হৈথরক্লে। মশাগী ময়ুমগী খরা থমহৌরগা অৱাৎপা লৈতনা খুঞ্জা পূম্নমক্কী ফৌওইবীবু পীবীখি। থাদোইবু খুঞ্জাশিংনা অঙকপা লাইগুম্বনি হায়নদুনা চৎনখি।

খুঞ্জা অমা পান্বা ৭না শারাক তম্বগী থৌদোকঃ-

পাউ অসি খুল্লাকপদা খুঞ্জাশিংনা চিংগোইজখি। খুল্লাকপনা পান্বাশিং অদু পোইরৈ কদোমদগী খোঙদোইরকপনো হংজবদা খুঞ্জাশিংনা মদুসু খঙজহৌদ্রে পাওখুমজখি। থাদোইসু য়ৌরক্লে। থাদোইনা য়াৱারকখি ইতাওদি খুৎশু করি পায়খিবগে পোইরৈ কৈদনো? তিমেনতা অমনে, খুৎশু থাঙলেন লোয়নখি শরাক তমখিবা খুঞ্জা অদুগী পলেম পন্থৌনা পাওখুল্লকখি। ময়াম্না হায়রকই খুমন ইনুং ওইবনিনা করম তৌগনি ৱাহৈ তাবদা থাদোইনা খুমন ইনুং ওইরবসু তাইবং মপুগী নোংদমনি ইনুংবা লেনখ্রবদি ইতাওগী য়াওবী মাংবনা হানখিবা তারে। খুঞ্জা পূম্নমক মৈরা পায়দুনা খুৎশু-খুনেগা লোইননা থাদোইনা মাঙকা থারদুনা মায়কৈ অদোমদা খোঙদোইরক্লে। চৎন-চৎনা থাদোইনা নোংথৌ তরংলেন কুরু শিদববু থম্মোইনুংদা থৌনিজরকখি। অসিগী মতুংদা থাদোইনা উরকই- লমলৈমা ৭না পাম্বা তরেৎকী মওংদা জগোই খুৎথেক তমদুনা লৈবদুসু উরক্লে। থাদোইনা ওন্থোকপনি খুঞ্জা পূম্নমক হলৱাইরসি লমলৈমা ৭না পাম্বা ওন্দুনা ইতাওবু লক্লুবনে খুঞ্জা পূম্নমক ইকোক নোনজরি শঙ্গাইদা খোঙ্গুম্লসি। য়াৱা অসি তাবদা পলেম ওইবী মমানা নতাওনা হলৱাইরক্তুবদা মমাওইবী ঐদি করম্না লৈঙমগনি। থাদোইনা চুম্মী পলেম। খুঞ্জা পুম্নমক হিরি কোনবীরো য়াৱাজরকখি। থাদোইনা মপু মাগী মীঙ্খেবু শোন্দুনা থৌনিজরগা লমলৈমা ৭কী মীঙ্খেরেনবু শোন্দুনা কৌশিল্লক্লে। অসুম্না তম্বা অদুসু য়াওনা লল্লেমা তরেৎমক মফম অদোমদা খোঙদোইরক্লে। থাদোইনা হায়রকই- হৌজিক্তি তাইবংগী মফম ওইরবনিনা চীংঙু লাই নখোয়সু লাইহনফমদা হল্লো পূম্নমক থাদোইনা লাইখাইবীরে, মতাও অদুগা লোয়ননা খুঞ্জা পূম্নমক ময়ুম মকৈ তম্নরকখি। মমাঙথক্তা খুল্লাকপনা তাকপিখিবা তৌথোরকপা থবক্লা পেল্লবদি চহী ৩ (অহুম) ফারোই হায়খিবদু য়াৱাবু ঙাক্তুনা খুল্লাকপগী মঙকশমদা শিরিবা লাইগুল্লবা লিক্লাং পরেং অদুবু লৌথোক্তুনা মপারি ওইবা থাদোইগী ঙকশমদা শিবিখি (লিকসিগী অঙকপা থৌদোক ইজদরে)।

চিংঙু থৌগন্নবা কংলা খোঙ্গারকপাঃ-

ইঙা ৱাংতম্বী কৌশিন্দুনা থাদোইনা ঙসিদি কংলা থৌবৈ য়েংলুগে। চীংঙুশিংবু থৌগল তৌরুগে শঙ্গাইনুংদা লৈরম্মু পলেম-পন্থৌনা হংলবসু মহাক্লা পাওখুম্মুকো ঐ চৎলুখিগে। নহাক্লা কংলা য়ৌরবদা থাদোইনা কংলানুংদা চীংঙুশিংবু হিরি কোন্দুনা লৈরিঙৈ, কুম্বী খাখোংদগী ইপু গনকসু গোকুল হায়না মীঙ্গৌবা অহল অমগা চীংঙু থৌগলগীদমক খোঙ্গারকপদা কংলানুংদা থাদোইগা থেংনরে। ইপু গনক্লা অহল অদুগী তিনয়েৎ লাইয়েৎ কোক্লনবা চেঙ, হৈরম, লৈরম পুরক্তুনা ইথৌ নোংদা লাইরেন পাখঙবদা থেঞ্জরে, ইপুনা লাইৱা শোল্ল-শোল্লদুনা শিংলম-শিংখাং শোল্লগা চেঙ থোইদিংবু চাইবা হৌরকপদা হৌগৎলুবা তৌদনা শিংখাং অদু খান্বী মৈৱাইরক্লে। মদু উবদা থাদোইনা মহাক (গনক) অসিবু কয়াম লাইৱা খঙবনো য়েংনিঙম্মী, অসুম্না থাদোইনা লাইৱা শোল্লগা নোংজু থাগুম নোং চুহল্লম্মী। থৌদোক অসিদা ইপু গনক্লা ওন্থোকপনিদা ঐঙোন্দবু য়েংশিনবা য়াওরি মাল্লে। গনক্লা লাইৱা অমুক শোন্দুনা চেঙ, থিংথৌ চাইরক্লবদা লাইজ মাসু থাওশাঙখক্লুম অথোনদুম হেন্না মৈ চাক্লক্লে। থাদোইনা লাইৱা শোন্দুনা তাহল্লম্বা লাইজ অদু লেপহনখরে।

থাদোইনা-অদোম্বু খোইশাওনবীগনু য়াৱাজরক্লবদা ইপু গনক্লা নহাকপু পোইরৈ কৈদগী হুল্লাল্লকপনো? মীংলেন করি মীংগৌবা? থাদোইনা- ঐগী কোলোইদি থাদোই মীঙ্গৌজে য়াম্না ইথকপু ওইরিগদ্রা? ইরুপ ইপীজাবু ওইরিদরা অদোমগী কোলোইবু খঙজনিংইদো অকায় পরৈবু লৈবীগদ্রা? গনক্লা করিগীদি কায়গদগে ঐগী কোলোইদি গনক থেঙ্গ্রা হায়না মীঙ্গৌই অসুম্না মতিক মঙাল থা চেংলৌ শকখঙ মায়খঙনখ্রবা মতুংদগীদি মাগী মাগী শঙ্গাইদা খোংশানখরে।

অসুম্না তাইবং মপুবু লাইনীং পরৈ চেৎচনা নীংজরকপনা শাথুপলমদাই মতম য়ৌরক্তুনা হয়েং লাংবচক ওইরক্লবদা থাদোই লৈরম্মী খঙজহৌসনু, শোন্নহৌসনু নিঙদুনা থাদোইনা শিরম্বা নোংথ্রে লিক্লাংবু মারজিংগী নুংগাইরক্তা থনমখি, থনম্মে অমম্বা অহিংগী মতমদা মৈবুলগুম্না মীয়াম্না ঙসি ফাওবা উনরি। মাইচৌ তরেৎমক ৱারোইচীংদা মাগী মাগী শাথুপফম লেপ্পরবা তুং ইং কুমজা ১৭৪৯ গী ইঙাগী থাবান ২৯নি পানবা নোংমাইজিং কোরৌদা নোংচুপ হারম্বু ঙাক্তুনা লাইমতোন চীংথক্তা লাইৱা ফাইবোক ওইনবু লাংওন্দুনা তাওবংচাশিংগী হয়েং তুংগী অফ-ফৎতা য়েংদুনা শাথুপখিদো।

নোংবান সেককুরেক অঙৌবনা কোকলেন লুফম হেল্লবা, মীৎমৈ পোরোং শুমলবা। হনু খোম্বনা পাউহনরকয়ে। হে কোরৌপু মীংনোংথৌতাউ-ও, লিকলাই নপারী সনা ৱাপিহল অৱাং ফাৎলৌ লৈমা খোন্বীগী নাৱা মরাকমনুং ওনবা অমসুং লাইরেন মাংদা থানা অনৌবা ৱারিজহৌগে।

(সনামহী লাইকল)

নীংশিজবাঃ- তেংবানবা মপু সলাইলেন সিদববু সলাইনা পুনেমজরি, লাই মশক ওইরবা ইপু মাইচৌ ৬৪ গী মনুংদগী তাইবংচাশিংনা ৱারিনবীদ্রবা অমদি অকাউ পরৈ চনখিগদৌরবা খারম থাদোই মীঙ্গৌবা মাইচৌ অমখক্কী ৱারী লৌখৎচদুনা তাইবংচাশিংগী মফমদা খুদোলজরি।

(নিংথৌ শিংকক পুয়াদগী লৌখৎচবা) ●

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ অহিংদা ঈশিং মরি/মঙারক চৎপা, ঈশিং চৎপা হেনমন্দুনা হকচাং চোকথবা, ঈশিং চৎপা খঙবা ঙমদবা, খ্বাং নাবা ফহনবগী ওজা MV. Qayamuddin বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা দাইবেটিসনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ-খূৎ পোমখৎপা, চৎপা ঙমদবা, মায় পোমখৎলকপা, হকচাং পাঙ্গল শোন্থরকপা, অহিংদা ঈশিং মরি/মঙারক চৎপা, ঈশিং চৎপা হেনমন্দুনা হকচাং চোকথবা, ঈশিং চৎপা খঙবা ঙমদবা, খ্বাং নাবা, ঈশিং চৎপদা মরেং-মরেং চৎপা, ৱেট চাং হন্থরকপা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা, শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা তৌরম্বা অদু **MV. Qayamuddin Phundreimayum ☎ 8837496469 / 8413870027/8575814720** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Qayamuddin বু মতম কুইনা মীয়ামগী সেবা তৌবিখো লোয়ননা পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।
1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am.
2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm. 3. Tiddim Road CCpur Old Bazar, Police Station Opp. 7:00 a.m. to 4:00 p.m.
থাগৎচরিবী : **Hidangmayum Tarubi Devi**
Awang Leikinthabi
HL-P/5414/20

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা, চাবা তুমদবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুকচেপ নাবা, থজিন শাওগৎপা, থবাক্তা মতুম অমা কোয়চেন চেনবা, খূৎশা ইপোমতা পোল্লগা পোৎ পায়বদা নুংঙাইতবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, খোঙয়া শাবা, ফম্বী শোনবা, ফৈগন অমদি মসলশিং চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা, চাবা তুমদবা, চাশিল্লবসু হকচাংদা করিমতা কান্নবা পোক্তবা, চাবা থকপা য়াদবনা মরম ওইদুনা নোংমা নোংমগী হকচাং শোকচিল্লকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুকচেপ নাবা, থজিন শাওগৎপা, পুক্তা প্রিক-প্রিক পংখোংদা খোংবা অদুগা অমাংথোঙদা গ্যাস চৎলু য়াদবা, য়ারোমদা তোয়না তোয়না অশিনবগা লোয়ননা খেগৎপা, পুক্তা মতুম অমা কোয়চেন চেল্লগা লৈবা মফম হোং হোংলগা, খূৎশাশিং অসি ইপোমতা পোল্লগা পোৎ অমা পায়বদা য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি তাখিবদা খঙহৌদবসু য়াওবা, খোঙ থাংবদা য়াম্না কন্না থাংবা ঙমদবা, ওইগী শগন নাম্মা মরক মরক্তা শিথগে তৌরকপা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, খোঙ থাংলগনা হেন্না চিকপা-নাবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, হকচাং অসি তিংথোক্লগা চিকপা-নাবা তৌরগা খোঙয়া শাবা, ফৈগন অমদি মসলশিং অসি চিকপা-নাবা তৌবা, ফম্বী শোনবা, কোক চিকপা অমদি ঙাওবা, খ্বাং নাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, য়াংলেন শরুদা চেল্লগা চিকপা নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।
লায়েংফম : 1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Saturday Open) (10 a.m. to 4pm.)
HL-P/5344/20
থাগৎচরিবা : **Akbar Khan,** Lilong

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ ওজা ABDUL HAK পু থাগৎচরি, পাইলস ফহনবগীদমক

ঐ পাইলসনা মতম কুইনা নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা মচা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী অমাংথোঙ মনুংদগী মচা অমা নাম্থরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা মশানা অমুক হঙ্গৎখিবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙদা চেকখাইরকপা, চেকখাইরকপদা অমাংথোঙদা নাবা, অমাংথোঙ মনুংদা চাথৎপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খোঙ হাম্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, চানীংবা পোক্তবা, অদুগা লু-য়াং, ঙকশম মরী নাবা, খ্বাং নাবা তৌরম্বা অদু ওজা Abdul Hak, Contact No. 8794429681, 8014623756তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফজরে। মরম অসিনা ওজা অবদুল হকপু থাগৎচরি।
ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-
1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30p.m.)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10am to 4pm)
HL-P/5437/20 *থাগৎচরিবা :* **O. Khelen Meitei**, Lafupat Tera

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খোঙ হাম্বা মতমদা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চংবা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চংবা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা অদুগী মতুংদা অমাংথোঙ মপান্দা ফুরিগুম্বা মকুপ-মকুপ শৌরগা নাই চারকপা অমদি য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ফান অমদি চৌক্রিগুম্বা অকনবা মফমদা ফম্বা ঙমদবা, খোঙ হাম্বদা শৌজ তারকপা, শৌজ অদু খূৎনা ইনশিনবদসু চংউ য়াদবা, নাম্থরগা অদুম লৈবা, শৌজ নাম্থবা অদুনা মরম ওইরগা পাঙ্গল নোংম-নোংমগী শোন্থরকপা, করিগুম্বা থবক অমফাওবা মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙল্লক্তবা, খোঙ খূৎ শজিং তোয়না হৌগনবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, মসলশিং চিকপা-নাবা, খ্বাং নাবা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্ননীংবা ইফাও ফাওবদা, কোক নাবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎপা, গ্যাষ্ট্রিক অদুনা থবাক্তা চেনখৎলগনা থবাক ফুনগৎলগা শ্বর হোনবা ৱাবা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad Phusam বু হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।
ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday & Wednesday open)
HL-P/5463/20 *থাগৎচরিবা :* **H. Gopen,** Sgaolband

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS X REVISION Starts on 12th December 2019 11 am to 4 pm
FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 19th Dec., 19 4:30 pm to 7:30 pm
MATRIC TOPPERS OF 2019
1st Position Bhumika Sh. Pitambara E/S
4th Position Minerva H. Brilliant P/S, Samurou
7th Position W. Ningthem Tiny Tots
8th Position Nongpoknganba L. St. Joseph
11th Position H. Rijando Memorial Model Academy Yairipok
12th Position M. Nerich Tiny Tots
13th Position Shubhalakshmi Th. Nirmalabas
14th Position K. Koklen Tiny Tots
14th Position Donita K. Nirmalabas
15th Position P. Roshni Donbosco Langjing
15th Position Bidya Raj Kh. St. Joseph
16th Position H. Rohen Little Master, Samurou
17th Position Th. Manglemba Modern Hr.Sec. Bishnupur
17th Position Jessica W. Nirmalabas
19th Position H. Aman Modern Hr.Sec. Bishnupur
29th Position Sinngam Kh. Catholic Canchipur
20th Position Celina Laishram Heritage Convent
21st Position N. Roshila Tiny Tots
24th Position Lamjingba Y. St. Joseph
24th Position Suchitra Kh. Nirmalabas
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
WINTER VACATION SPECIAL CAMP
Starts on 19 December 2019
CLASS I TO VII CLASS I TO VII
Subjects : English - Maths - Meitei Mayek - Hindi & Spoken English
Timing : 6:30 am to 10:00 am
Tutors Teachers of Nirmalabas H/S, St. Joseph, Little Flower, Don Bosco, Christ Jyoti, Heritage Convent, Text Book writters & Former Head Examiners
7th MEGA MOCK TEST

Date	Sub.
13/01/20	English
15/01/20	S. Science
18/01/20	Maths
20/01/20	Science
22/01/20	Adl. Sub.
24/01/20	MIL

Last date of Form Submission 31/12/2019
PLEASE CONTACT : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342 VAN AVAILABLE
HL-P/5855/4/12-4/01

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।